# অমোৎপা মরক্তা লংথোল্লকবসু থম্বালদি অমুক হন্না অথুবা মতমদা শাৎলক্লগনিঃ নরেন্দ্র মোদি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিনা বি জে পিবু হিরম কয়াদা মরাল শিনবা হোৎনরিবা অমদি মীয়ামগীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়াদা অয়েৎপা পিরবসু অমদি অমোৎপা কয়া লংশিল্লক্লবসু বি জে পিগী থম্বালদি অথুবা মতমদা অমুক হন্না শাৎলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসি ইমুং অমখক্কী লৈবাক নত্তে। তোঙান তোঙানবা লাইনিং লৈজবা মীওই কাঙলুপ কয়াগী অপুনবা লৈবাক অমনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা গান্ধী ফেমিলিনা লৈবাক অসি মখোয়গী মরন্নাই লৈবাক ওইনা খল্লি। মসি উরুবদা নোংক্লিংবা ফাওই। লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা ফঙ্কসন কয়াদা জৱাহরলাল নেহরুগী মমিং পন্দবা মতমদা হৌজিক লৈরিবা গান্ধী ফেমিলি অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। অদুম ওইনমক মখোয়না মখোয়গী যুম্নাক্তা ঙসি ফাওবা নেহরু হাপ্পা লৈত্রি। লৈবাক অসিগী ইহান হানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা জৱাহরলাল নেহরু যাম্না মরু ওইবা মীওই অমনি। কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী জৱাহরলাল নেহরুগী মশুনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা হৌজিক লৈরিবা গান্ধীগী মমিং হাপ্লিবা জৱাহরলাল নেহরুগী মচা অমসুং মশুশিংনা ঙসি ফাওবদা মখোয়গী মমিংদা নেহরু হাপত্রিবা অসি করি মরমগীনো, নেহরু হাপ্পদা মখোয়না ইকাইবা ফাওব্রা হায়না হংখি।

ওপোজিসনদা লৈরিবা কোংগ্রেসনা বি জে পিদা মরাল শিনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা যুম্ফম যাওদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শিরি। অদুবু ইলেক্টেদ ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ৯০ থুগাইখিবা পার্টিদি কোংগ্রেসনি। ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা আর্টিকল ৩৫৬ য়াংখৈরক শীজিন্নদুনা ইলেক্টেট ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমবু হঞ্জিন হঞ্জিন থুগাইখিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনদি ঙসি ফাওবদা অদুগুম্বা ফজদবা থৌওং অমত্তা চত্থবা লৈত্রি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা গৌতম আদানিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা গৌতম আদানি অমদি মহাক্কা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনবা ওইনা উহল্লি। মসি মখোয়গী শেমজিন-শাজিনবনি। বি জে পিগী সিম্বোল ওইরিবা থম্বাল মতম চুপ্পদা লৈবাক অসিদা শাত্তুনা লৈগনি। অমোৎপা অমদি লৈখোম কয়া লংশিল্লক্লবসু বি জে পিগী থম্বাল শাৎকাইরকপদা অয়েৎপা পীবা ঙল্লোই। ওপোজিসনদা লৈরিবা মীওইশিংনসু বি জে পিগী থম্বাল শাৎকাইহনবদা চাওনা মতেং পাংলি। অদুবু মখোয় মশানদি হায়রিবা অসিগী মতাংদা খঙজদ্রি। কোংগ্রেসনা মতম শাংনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক কয়া ঙসিদি থোকখিদ্রে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অদুনা থম্বাল অমুক হন্না শাৎকাইরকপা ঙাইমীন্নরসি হায়রি।

# সিসোদিয়াগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা বি জে পি লুচিংবা ডিটেন তৌখি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
দিল্লিগী ডিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ওপোজিসনদা লৈরিবা মেম্বরশিংগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক পোলিটিকেল ইনিটলিজেন্স য়ুনিট অমা শেমখি হায়না চার্জ তৌরদুনা মসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা বি জে পি লুচিংবশিং পুলিসনা লম্বীদা ডিটেন তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।




দিল্লি সেক্রেটরিয়েট মনাক্তা দিল্লিগী ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা মনিস সিসোদিয়াগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা ডিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদু দিল্লি বি জে পিগী ৱার্কিং প্রসিডেন্ট বিরেবন্দ্র সচদেবানা লুচিংখি। দিল্লি সেক্রেটরিয়েট মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফম্লবা মতুং পুলিসনা বেরিকেদ শীজিন্নদুনা ঙাক্লিবা মফম অদোমদা চঙশিন্নবা হোৎনখি। মদুদা পুলিসনা বিরেন্দ্রবু ডিটেন তৌদুনা থমখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিল্লি বি জে পিগী ৱার্কিং প্রসিডেন্ট বিরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মনিস সিসোদিয়ানা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা তৌবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা তুমীন্না য়েংশিন্নবগীদমক ফিদবেগ য়ুনিট অমা শেমখি হায়না সি বি আইনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মরম অদুনা অসিগুম্বা অরানবা থবক তৌরিবা মনিস সিসোদিয়া ডিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চাদে হায়রি।

অমরোমদা আম আদমি পার্টিনা ওপোজিসনগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ুনিট অমা শেমখি হায়না মরাল শিরক্লিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দিল্লিগী ডিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াবু সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মতম পুম্বদা মরাল শিজিন্দুনা ফানবা হোৎনরি। মদুগী শরুক অমা ওইনা হন্দক্কী অনৌবা মরাল অসি শিরকখিবনি হায়রি।

# পি এফ আইনা ইন্দিয়াবু ইস্লামিক ষ্টেট ওন্থোক্লবা হোৎনরমখি

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
অথিংবা থমখ্রবা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) না লৈবাক অসিবু কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ইস্লামিক ষ্টেট ওন্থোক্লবা হোৎনরমখি হায়না মহারাষ্ট্রগী এন্টি টেরোজিম স্কৱাদ (এ টি এস) না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথিংবা থমখ্রবা ওর্গনাইজেসন অসিনা অতোপ্পা লৈবাক্তগী খুৎশু-খুৎলাই কয়া লৈবগী থবকসু চত্থরমখি হায়রি।

ষ্টেট এ টি এস পি এফ আইগী মেম্বর মজর খান, সাদিক শৈখ, মোহমদ ইগবাল খান, মোমিন মিস্ত্রি অমসুং আসিবহুসেন খান মমাঙ চহিগী সেপ্টেম্বর থাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাবা ঙমখিবনি। মখোয় মঙা ফারবা মতুং পি এফ আইনা লৈবাক অসিবু ইস্লামিক ষ্টেট ওন্থোক্লবা হোৎনরমখি হায়বা খঙবা ঙল্লকখিবনি। মখা তানা মখোয় মঙা ৱাহং-পাউহং চত্থরি হায়রি।

# বসনা থোম্বদগী ৱার্কর ৪ শিরে

নোইদা, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশকী নোইদাদা লৈবা ফেক্টরি অমদা থবক শুবা শিন্মী মরি বসনা থোম্বদগী শিরে, অদুগা অতোপ্পা অহুম্না ফিভম লুনা শোকখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোঙবা ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্ট্রেল নোইদাগী এডিস্নেল ডিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। বদলপুর এরিয়াদা লৈবা হেরো মোটোর কম্পনিদা হায়রিবা ৱার্করশিং অসি থবক শুবনি। নুমিদাংগী থবক শুবা লোইরবা মতুং ময়ুমদা হন্নবা থোরকপদা খঙহৌদনা বস অমনা মখোয় তম্না থৌজিল্লকখিবনি। মদুদা মীওই ৩ খুদক্তা শিখি, অদুগা অতোপ্পা অমনা হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুং লাইকন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

# মিনিষ্টরগী য়ুমদা নুঙ থাজিল্লম্লে

থিরুভনন্থপুরম, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভি মুরালিধরনগী থিরুভনন্থপুরমদা লৈবা ময়ুমদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা নুং লংশিন্দুনা এটেক্ট চত্থরম্লে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা মেডিকেল কোলেজ পুলিস টিম অমা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি হায়রি।

# কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১০৯ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১০৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১০৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮৩,৭৪৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৭৮১ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অনি শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৪৮ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। মমাঙ চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২২০.৬১ কাপথোকখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# টাইগর রিজর্বতগী ফংবা ঙমখ্রে

রিসিকেস, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মাংখ্রে হায়দুনা থিনরকখিবা নুপী অমগী মশা তঙ্খাই চাথোকখ্রবা অশিবা হকচাং কোর্বেট টাইগর রিজর্বকী মফম অমদা লৈরম্বা থেংনখ্রে। মশাগী চহি ৩৮ রোম শুরবী নুপী অসি ফোরেষ্ট গার্দশিংনা বদনগর কেনেলদা থেংনরকখিবনি। মহাক হৌখিবা য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী থিবা ফংদনা লাকখিবনি। নুপী অসি কৈনা হাৎপ্রা নৎত্রগা কবোকৈনা হাৎখিব্রা হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT

CONGRATULATIONS



AYEKPAM LANKHOMBA
(XII appearing student)
Secured 98.18% tile in 1st attempt

Under the guidance of well experienced faculties

PHYSICS

Er. Sundaram Kumar
* 10 plus years of Exp (JEE/NEET)
* B.Tech/PGPM/MBA/Six-Sigma Certification Quality Management

CHEMISTRY

Nawal Kishore Giri
* Bachelor of Mechanical Engineering
* Ex faculty of Vidyamandir classes, Ex faculty of Career Point KOTA

MATHS

Basant Kumar
* Ex Faculty member of Aakash Coahing Institute, Muzzafarpur
* Over 25 years of experience for JEE

BIOLOGY

Vishal Kumar
* M.Sc. Life Science
* Post Graduate diploma in bioinformatics
* Teaching experience 10 years (NEET)

Registrations Open Now for
45 Days Crash Course for JEE (Main) April Session, 2023
Commencing from 20th February, 2023 (First Batch)

For more details
Contact : 9402979552 / 8729948874
3rd Floor, M/S L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal

HL-P/6008/9/2 to 28/2 1/3 to 8/3 to 13,14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref. Mutation Case No. 118/SDC/SWG/2023**

Parties : Maibam Purnamala Devi, W/o Chongtham Bidhan of Singjamei Chingamakhong Chongtham Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Wahengbam (N) Maibam (O) Lalita Devi, W/o Ibopishak Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal - Opposite Parties

**NOTICE**

Sawombung, the 9th Feb, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 66-Lamlai পট্টা ন: ... (অরিবা) 494 (অনৌবা) দাগ ন: 1212 মোট এরিয়া 0.62 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Wahengbam (N) Maibam (O) Lalita Devi অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Sawombung**
Imphal East

HL-P/6019/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mut. Case No. 34/SDC/Sugnu of 2023.**

App :-
1) Thounaojam Debarani Devi W/o Irom Imo Singh of Keisam-thong Irom Pukhri Mapal
2) Thounaojam Tombi Devi W/o Heikrujam Shantikumar Singh of Kwakeithel Mayaikoibi Chabungbam Leikai
3) Thounaojam Tondon Devi D/o (L) Thounaojam Chaoba Singh of Khagempali Panthak

-Vs-

Opp :- (Late) Irom (N) Thounaojam (O) Rukamani Devi W/o (L) Thounaojam Chaoba Singh of Khagempali Panthak.

**NOTICE**

Dated :

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 88-Nungoo Wapokpi পাট্টা নং 256 (New) দাগ নং 1011 এরিয়া 2.03 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/6013/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref. Mutation Case No. 119/SDC/SWG/2023**

Parties : Huidrom Memcha Leima, W/o Huidrom Pishak Meetei of Pungdongbam Mayai Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Huidrom Pishakmacha Singh, S/o Birchandra Singh of Pungdongbam - Opposite Parties

**NOTICE**

Sawombung, the 9th Feb, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 27-Pungdongbam পট্টা ন: 93 (অরিবা) 335/719 (অনৌবা) দাগ ন: 156/406 মোট এরিয়া 0.12 একর চাওবা ইঙ্খোল লৌফমগী পাট্টাদার Huidrom Pishakmacha Singh অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Sawombung**
Imphal East

HL-P/6019/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 53/SDC/IW-L/2023**

(1) Kharibam Lata Devi, W/o Khoirom Ibomcha Singh of Kwakshiphai Awang Leikai
(2) Chongtham Bhanu Devi, W/o Ch. Inaocha Singh of Lamdeng Makha Leikai - Petitioner

-VS-

Late Koijam (N) Konjengbam (O) Ahanbi Devi W/o (L) Kullabidhu Singh of Uripok Haobam Dewan Leikai -OP/Party

**NOTICE**

9-2-2023

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার কোইজম নিংঙোল কোঞ্জেংবম ওংবী অহানবী দেবী পীতা মৃত কুল্লবীধু সিংহ, সাং উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকায়গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫০-ঙারিয়াম্বমগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৮ দাগ নং ১৪৭ এরিয়া ১.৩১ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/6008/10

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, - IV**
**LAMPHELPAT, IMPHAL**

**Ref: Mut Case No. 44/AS&SO/IV** **Date 2/02/2023**

Ningthoujam Ongbi Subadani Devi, W/o Late Kali Singh of Khangabok Awang Leikai – Petitioner

-Vs-

Deceased Pattadar
(Late) Akoi Singh, S/o (L) Thambou Singh of Khangabok – O.P.P.

**NOTICE**

Imphal, 9/2/2023

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী পাট্টা নং ৮২ (অরিবা) ২৫ (অনৌবা)গী দাগ নং ৪২০১ গী .১৩০০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা শ্রী অকোই সিংহ পী: মৃ: থম্বৌ সিংহ, সাং খাঙবোক পাটাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা পেটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃতু পাট্টাদারগী মরি-মতা, মচা মশু অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌগদবনি নত্তৃবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IV**
**Lamphelpat**

HL-P/6020/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 52/SDC/IW-L/2023**

(1) Nungleppam (N) Phuritshabam (O) Basanti Devi, W/o (L) Phuritshabam Ranjitkumar Singh of Khurukhul Makha Leikai - Petitioner

-VS-

Late Phuritshabam (O) Jugolei Devi, W/o (L) Porjon Singh of Khurukhul Makha Leikai -OP/Party

**NOTICE**

9-2-2023

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ফুরিৎশাবম ওংবী জুগোলৈ দেবী পীতা মৃত পোরোন সিংহ, সাং খুরুখুল মখা লৈকায়গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুল্লৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৮৪ দাগ নং ৩৭২ এরিয়া ১.৯৩ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/6008/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 34/SDC/(WKG) of 2023 Dt. 9.2.2023**

App :- Khumukcham Nandibala Devi W/o (L) Kh. Tombi Singh of Kakching Khunou.

-Vs-

Opp :- (Late) Khumukcham Tombi Singh S/o (L) Pamchou Singh of Kakching Khunou.

**NOTICE**

Dated : 09/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮১-ককচিং খুনৌ পাট্টা নং ২৯৫/৬১৪ দাগ নং ৬৬৩/৭৫৩ এরিয়া ১.৮৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/6013/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 35/SDC/(WKG) of 2023**

App :- Khumukcham Manglemjao Singh S/o (L) Tomon Singh of Kakching Khunou.

-Vs-

Opp :- (Late) Khumukcham Mukunda Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kakching Khunou.

**NOTICE**

Dated : 09/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮১-ককচিং খুনৌ পাট্টা নং ১০৪ দাগ নং ৫৯৪ এরিয়া .৮৫ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/6013/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mut. Case No. 36/SDC/Sugnu of 2023.**
**Dated: 09/02/2023**

App :- Loitongbam Romesh Singh S/o (L) Thambaljao Singh of Wangoo Sabal.

-Vs-

Opp :- (Late) Loitongbam ongbi Leirikmacha Devi W/o Tama Singh of Wangoo Mamang Sabal.

**NOTICE**

Dated : 09/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 86-Chairel পাট্টা নং 539 (New) দাগ নং 132 and 133 এরিয়া 2.50 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/6013/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Misc Case No. 11/SDC/Sugnu of 2023.**
**Dated: 09/02/2023**

App :- Loitongbam Romesh Singh S/o (L) L. Thambaljao Singh of Wangoo Sabal.

-Vs-

Opp :- (Late) Loitongbam Tama Singh S/o (L) Thabal Singh of Wangoo Sabal.

**NOTICE**

Dated : 09/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 86-Chairel পাট্টা নং ..... দাগ নং 1021 এরিয়া 1.00 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/6013/10